# “য়াইরিপোক থম্বালনু” ফিল্মদা পুর্নমসিং সেলুংবা শাবদা মমিং লৈখ্রবা চনম নিলাবির মৈতৈ

- নানি

এক্টর অমগী পুন্সিদা মহাক মশানা কুমজখিবা কেরেক্টর অমগী মিংদা মীয়াম্না মশক খঙবীদুনা মহাক মশাগী মমিং ফাওবা কৌনদনা কুমখিবা কেরেক্টর অদুগী মমিংদা শক-খঙনরকপা হায়বসি য়াম্না তাঙনা তাঙনা থোকই। মসি লৈতবদি নত্তে, ঐখোয়গী পর্ফোর্মিং আর্ট ফোর্মশিংদা মসিগী থৌদৌ অসি য়াম্না তোয়না থোকই। মসিদা নত্তনা আর্টিষ্ট মশা অদুনা লৈরিবা পোক্নফম লমদম ফাওবা য়াওনা চিংখৎতুনা মীয়াম্না শক খঙবীবা হায়বসি আর্টিষ্ট খূদিংমক্তা থোক্ত্রবসু অখন্নবা আর্টিষ্ট খরদদি থোকই। মসি লমদম অদুগী মীয়াম্নসু নুংঙাইজে, পেঞ্জে অমদি চাউথোকচবা ফাওনরিবনি। খুদম ওইনা পল্লবদা- ময়াং ইম্ফাল তোম্বী, কোঞ্জেং বাবু (কোঞ্জেং লৈকায়গী ওইনাম বাবু), কৈরাও নবদ্বিপ, উৎলৌ মংলেম (নোংবান শাবা), কৈশাম্পাৎ নিলাকৃষ্ণ (থোংলেন শাবা), বিরসিং শাবা (ইবোতোম্বী শর্ম্মা), অবিরখান শাবা (অহল্লুপ শামু), দেবদাস শাবা (অয়েকপম ইনাকখুনবা), চুনিবাবু শাবা (লৈতাম তোমাল), জগৎসিং দাকু শাবা (এম বিনোদ), মন্ত্রি দোলানসানা (এস হেমন্ত), চারচৌবিস শাবা (লৈশাংথেম ধনবির)নচিংবা অমদি **পুর্নমসিং শাবা (চনম নিলাবির)**, মখোয়শিং অসি মশা মশাগী ওইবা তোপ তোপ্পা মতিক ময়াই অমমম চেল্লবা ঙাক্তনি। কনাগুম্বা আর্টিষ্ট অমনা হেক্তা মসি ওইরগে হায়বদা হেক্তা ওইবা য়াদবা অমনি।

চনম নিলাবির মৈতৈ, কোংবা লাইশ্রম লৈকায়দা কুমজা ১৯৪১ দা পোকখি। অপোকপসু মতম অমগী মোইরাং পর্ব লিলাদা মমিং লৈরবা **খম্বা শাবা** চনম নিমাই মৈতৈ হায়না ঙসি ফাওবা শোন্নরিবা ওজা অদুনি। অপোকপদা চেনখিবা ময়াই খাইদোক্তুনা ঈদা লূদা তোংদা চেনখিবনা চনম নিলাবির মৈতৈ, মীয়াম্না শক খঙনবা এক্টর অমা ওইরকখি। পীক্লিঙৈদগী হৌনা মপাবুংনা তৌরকপা কয়া উরকপা অদুনা মশাদা এক্টর অমা ওইনিংবগী ইথিল অমদি য়োক্তুনা লাকখি। মদু কুমজা ১৯৬৮গী মতমদা শাফোঙলকপা হৌরকখি। হুং শিদবা ড্রামাটিক য়ুনিয়ন হায়বা অমা লৈখিদ্রবা নিঙোম্বম অঙৌতোন মৈতৈনা লুচিংদুনা, হায়রিবা ওজা অসিনা মশামক্না ইরগা, তম্বীবা ড্রামা অমা ৱাখল মান্নবশিং পুনশিন্নদুনা পুথোক্লসি হায়না তাকপীবদগী **নোংখোং কোয়বা** হায়বা লিলা মচা অমা পুথোকখি। লিলাসি মফম কয়াদা চৎতুনা শুমাংদা শঙ্গোইদা চহী ফানা য়াম্না শান্নখি। মতমদুদা ষ্টেজ শাদুনা মাইক পান্দুনা শান্নবা নত্তে। ইচম চম্না শান্নবনি। মীয়াম্নসু য়াম্না নুংশিবীখি। অসুম্না চত্থরকপনা কুমজা ১৯৭৩দা ইম্ফাল যাত্রা কম ড্রাম এসোসিএসন হায়বা শুমাং লীলাগী লূপ অমা লৈরম্মী। মতমদুগী মমিং লৈরবা লীলাগী ওজা হৌজিক্তি লৈখিদ্রবা খাবা শাবা বারুনি হায়রিবসিনা “ইবো নঙ হন্দক্তগী শুমাং লিলাগী ফেষ্টিভেল থোক্লসি নঙ য়াওরো” হায়না তাকপীবদগী শুমাং লিলাদা য়াওবা হৌখিবনি। “ইরাল” হায়বা থাংজম বিরচান্দনা ইবা লিলা অমদা পুলিস ইন্সপেক্টর অমা শাদুনা ইহান হান্না য়াওবা হৌরকখি। লিলা অদুসু কুম অদুগী লিলা চাংদম্নবদা অনীশুবা বেষ্ট প্লে ফংখি। চনম নিলাবিরগী খুৎ থেক্তুনা পনবা য়াবা তাকপী তম্বীরকপা ওজ াশিংদি- নিঙোম্বম অঙৌতোন মৈতৈ, চোংথাম ময়ুরধজা (ওজা নিংথেমজাও) হায়রিবশিং অসিনি। চনম নিলাবির মৈতৈ শুমাং লিলা হেক য়াওরকপদগীদি মমিং লৈরবা লিলা কয়াদা কুম্লকখ্রে। মহাক্কী মমিং অসি ময়াম্না খঙবীবা নোংম-নোংমগী হেল্লকখ্রে। কুমখিবা লিলাশিং খরা পল্লবদা- ইরাল, চুরাম্থাবা, ঈগী খুদোল, পুখম থক্কী পুর্ণিমানচিংবা লিলা কয়া শান্নখি।

ফিল্মদা ইহান হান্না কুম্লকখিবদি “ঙক-ঈ-কো নঙসে” হায়বা পূনম পিকচরনা কুমজা ১৯৮৪দা রিলিজ তৌরখিবা মণিপুরী ফিল্ম অদুদগীনি। ফিল্ম অসিদা “কোরা” কৌবা কেরেক্টর অমা লৌদুনা কুম্লকখি। ফিল্ম অসিগী রোল অসি কুম্নবা এনগেজ তৌরকখিবসি,



কুমজা ১৯৮৩দা বাদল সারকার হায়বা মমিং লৈরবা ঠিএটর দিরেক্টর অদুগী মখাদা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীনা শীন্দুনা ৱার্কশোপ অমা পাঙথোকখি। হায়রিবা ৱার্কশোপ অসি থা অমা চুপ্পা চত্থখি। মণিপুরগী আর্টিষ্ট ৩০ মুক্না শরুক য়াখিবা ৱার্কশোপ অদুগী প্রদক্সন অমা পুথোকখি। মদু কালিমাই মান্দপতা শান্নখি। লিলা উৎপা লোইরবা মতুংদা লৈখিদ্রবা ফিল্মসিগী দিরেক্টর- এস এন চান্দ, প্রদ্যুসর- ৱাংখেম বসন্ত, ম্যুজিক দিরেক্টর- নোংমাইথেম পহারী অমদি ঈশৈ ইবীবা বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মসু লিলাদু য়েংবা লোইরগা মহাক্কী মনাক্তা চঙশিল্লক্তুনা কৌনখি। নুমীৎ অদুদা নোংমাইথেম পহারীনা হয়েং অসি বসন্তগী দুকান থাঙ্গাল বজারদা অমুক্তা লাকউ ৱারী অমা শানগদবা লৈরে হায়না হায়বদগী নোংঙাল্লগা চৎলুবদা ফিল্ম অদুগী রোল অদু পীবীরকখিবনি। রোল অদুগী মতাংদা মহাক্কী ওজা চোংথাম নিংথেমজাওগী মনাক্তা চৎতুনা তান্নজখি। ওজানসু নীংথিনা তাকপীরকখি। অসুম্না ফিল্ম অদু কোলকাটাদা, অমদি মণিপুরগী মফম কয়াদা, মোরে, কাংচুপনচিংবা মফম কয়াদা সূটিং তৌখিবনি। নুঙাইরিবদি ফিল্ম অদুদা ঙাংখিবা দাইলোগ পুম্বা অমত্তা চিত্থদনা হৌজিকসু চিনফা পুদুনা লৈরমখি। মতেক অমত্তা নীংশিংবীয়ু হায়না হায়জরুবদা, এক্সনগা লোয়ননা মশাগী চহী ৮০ শুরবা অহল অসিনা ৱাহৈ অমত্তা লৎতনা মখাগী দাইলোগ অসি ঙংদুনা ঙাংলকখি।

*“কোরা- মিষ্টর রবি, তিংথৌ মতোন্দা পকপা লিক্লানা নঙগী খৌরাংবা কোক্কনি হায়না খনবরা? নঙনা ঙসি লংলিবা সনা লুপা, ফুরা দলাল ময়াম অসি কনাগী মপান্দগীনো? ঐগী ইপান্দগীনি। মসিগীদমক্তা ঐ হুমাং মমল পাম্মী, কদায়, পৈশা”*

ফিল্ম অসিগী মতুংদগীনি এক্টর অসিগী মমিং হেন্না লৈরবা **“য়াইরিপোক থম্বালনু”** হায়রিবা ফিল্ম অসিদা য়াম্না মরুওইবা পুর্নমসিং হায়বা রোল অসিদা কুমদুনা অমুক হন্না থোরকখি। ফিল্ম অসিদগীদি এক্টর অসিগী মমিং নিলাবির হায়বসি তোক্লগা **পুর্নমসিং শাবা** হায়বা অসি ওইনা মীপুম তিংনা হায়নবা হৌরকখি। ৱাং চাউবা, চিং লেম্বা, ঙাংথোরকপদা ৱাহৈ খূদিং তয়াং তয়াংনা হায়দনা লূম লূম লাওনা ঙাংবা এক্টর অসিগী য়াম্না চুশিন্নবা হায়বদু ওইখি। ফিল্মসিগী মতাংদা ৱারী শানজবদা, থম্বালনুবু লৈশাংখোং থিঙেল থিংনবা ফাবা লাকপা মতমদা ঙাংখিবা দাইলোগ মতেক অমসু নীংশিংবীরকখি। য়াম্না নুংঙাইরিবদি, মশাগী মতাং অসিদা বেদ শাবনিনা কপ্পা য়াদে, নম হাদুনা থম্বালনু ফাদুনা পুগদবনি হায়বসি খঙলবসু ওইরক্লিবা সিক্কেন্স অদুদা পী তাগে তৌবা য়াওরকখি। মদু থিংনবা হোৎনবদা শাথিনা অৱাবা অমা ওইখি হায়নসু থম্বীরকখি।

*“পুর্নমসিং- করি ৱানো থম্বালনু, ইনিংথৌগী সনা য়াথংনি, নঙগী ইমা ঙাইদুনা লৈবা য়াবা নত্তে, থিল্লে ঐগী ইমাং থানা চৎলু।*

*অঙম্বা ১- অঙম্বা নঙগী নচা নশুদা থোক্লবদি কমদৌগনি, মমা কৈথেল কাখিবা, মৌপ্পা সঞ্জেন ষনঙাক চৎখিবদু ঙাইহাক ঙাইখিসি কৈনো।*

*পুর্নমসিং- করি ৱানো অঙম্বা, নিংথৌগী মনা মথুম চাদুনা হিংলিবনি, অসিগুম্বা ৱায়েল থৌদাগী চুপ্পি অসি লাক্কনি হায়বসি খন্থহৌবীদবরনে অঙম্বা? কান্নদে থম্বালনু ঐবু ৱা য়াম্না ঙাংহনগনু, থিল্লে থম্বালনু, চৎলসি। কনা লৈ...”*

অহল অসিনা ঙসিদগী চহী ৪০ মুক্কী মমাঙদা নমখিবা ফিল্ম অমগী দাইলোগ অমদি সিক্কেন্স কয়াশিং অদু অকাও পরৈ চন্দনা থম্মোয়দা য়োক্তুনা থনম্বা অসি তশেংনা ঙকপা ফাওই। মসিনা তাক্লিবদি এক্টর অমনা কেরেক্টর অমা শানবা হোৎনবদা কয়ামুক থৱায় য়াওখিবগে হায়বা অদুনি। হৌজিক ফাওবদা দাইলোগশিং অসি ৱাহৈ অমা মাঙদনা লৈহৌরি। কয়াদা মমল য়ামখ্রবা আর্টিষ্টনো? মসিগী মখা তানা *ইঙেল্লে, খম্বা খম্নু, খুঙ্গংদুদা* (রিলিজ তৌখিদ্রবা) ফিল্মশিংদা কুমখ্রে। হৌজিক্কী নহাশিংদা করি হায়নিংবগে হায়বা ৱাহং অমগী পাউখুমদা, অসুম্না তাকপীরকই- *“আর্টিষ্ট অমা হায়বা অসিদি, কেরেক্টর অমগী মনুংদা চঙশিন্দুনা করি লৈরিবগে হায়না থিগদবনি। চুম্নগী মীনা সূটিং মফমদা প্রোমপ্ট তৌরগা দাইলোগ হায়রগা এক্টিং তৌবনা কৈদৌনুংদা মায় পাকপা ঙম্লোই। মদুনা তুং কোয়বা য়ারোই। কেরেক্টর এনালাইসিস নীংথিনা তৌরগা কুমগদবনি”*। হৌজিকসু মখা তানা ফিল্ম অমত্তা ওইরসু কুম্মিংবগী অপাম্বা লৈহৌরি। অদুবু অহল ওইরবনিনা কনানসু ফিল্ম কুম্নবা হায়রবদি লৈহৌদ্রি। শিদ্রিঙৈ মতমসিদা ফিল্ম অমত্তদি কুম্মিংই হায়না শোলহৌরি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৫।০৭।২০২১ ইং, নোংমাইজিং; অয়ুক পুং ৫.৫১ ফাওবা ইঙেনগী ১৬নি পাল্লি, মতুংদি ১৭নি পাল্লনি

মেষ: মরুপ-মপাং অমদি নচা-ননাইগা মোত মান্নদবা খরা লৈরসু নীংবা থুংবা অমদি লাইবক ফবা লৈগনি। অশাওবা ফাথৌ
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃষ: মরুপ-মপাং অমদি অঙম্বগা মরী ফরোই। ৱাঙাং হৈত্রদি লন ময়েং তাগনি। খাঙবা কনবনা পুম্নমক্তা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - য়াকা য়েংনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক।

মিথুন: য়েৎনবা অমদি কিবা পোকপা নৎত্রগা হুৱানবনা হুবীবা লৈগনি। অচুম্বা চৎলু অমদি চীঞ্জাক কামগনু ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - চিন কনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কর্কট: হকচাং নুংঙাইবতা নত্তনা নীংবসু থুংগনি। অদুবু পাউ নুংঙাইবা তাবা অমদি মরুপ/মীয়ামগী মতেং লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

সিংহ: মীচঙ ফংগনি। অনৌ-অনৌবা থৌরমদা থৱায় য়াওবা অমদি মায়সু পাকচবা ওইগনি। মরুপ-অঙম্বনদি ঙসিসু তাথি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কন্যা: হকচাং নুংঙাইবা হেনগনি। অনীংবসু পাঙবা অমদি অফবা মীংচৎ ফংবগী নুংঙাইবা লৈ। অহৈ-অশিংদি শাখিনু।
লৈশা পাখংশিংগী - মতম মাঙই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

তুলা: মীয়ামগী মতেংনা কান্নবা ফংনবা হোৎনবা য়াগনি। হকচাংসু নুংঙাই অমদি লন চঙগনি। অফবা লৌশিং ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী চেৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক: নীংজবা মপা চাই। লাই-গুরুগী থৌজালনা নুংঙাইবা ফংগনি। অদুবু নাপল তৌরদি মীখা পোনগনি তপথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

ধনু: থৌনা লৈবগী অঙম্বনা চানবীগনি অমদি অকল-অথৌগী থবক্তা নুংঙাইজে। অদুবু ৱাঙাং হৈত্রদি চোপকনি।
লৈশা পাখংশিংগী - য়েৎনদনবা হোৎনৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/অশংবা।

মকর: নীংবা থুংজবা, হরাওবা অমদি অনৌবা আশা লাকপা নুমীৎনি। অফা-অপুন্নবদি লৈ, মীতোপ থাজগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাখল নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।


কুম্ভ: মীকোক থোংগনি, পাইরক্কী লৌশিং চাওগনি, ইমুং-মনুংগী ৱা তাবা য়াম্না কান্নগনি। অদুবু কায়নবদি নংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - চরাংগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

মিন: ওইজবা য়াম্না ফংগনি। নচাক-নরল চাউখৎকনি অমদি অঙম্বনা চানবীগনি। অদুবু নাপলদি থাদোকউ, শাফবা হেন্নি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।


থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।



Title : Naruto
By : Ahenba Mayengbam
Class : KG Roll : 2
School : Angel Kid's Khongnang Feidekpi



Title : Little Singham
By : Anil Ambani Wakambam
Class : KG Sec: A Roll : 1
School : Sainik Foundation School



Title : Brinjal
By : Th. Julia
Class : I House : Yellow Roll : 5
School : RK Sanatombi Devi Vidyalaya



Title : Pigeon and Rose Flowers
By : Kelly Ngangom
Class : V Sec : A Roll : 40
School : Standard Robarth Hr. Sec. School




Title : Kenel-Puppy
By : Linthoingambi
Class : III Roll : 20
School : RK Sanatombi Devi Vidyalaya



Title : House
By : Ngathem Milky Chanu
Class : KG Roll : 4
School : Unit English School



Title : Tank
By : Nongmeikapam Priyoranjan Singh
Class : II Sec : D Rol No. 29
School : Pitambara English School



Title : Drug Abuse
By : S. Nongpoknganba
Class : IX Roll : 24
School : Maheilen Education Centre, Haotal



Title : Sunrise
By : Goldy Tongbram
Class : III Roll : 18
School : RK Sanatombi Devi Vidyalaya



Title : Flower
By : Ngathem Silky Chanu
Class : I Roll : 5
School : Devola Memorial English School




Title : Peace
By : Tomthin Nongmaithem
Class : IV Sec : A Roll : IV
School : Standard Roberth Higher Secondary School



Title : Fingers
By : Wayelchanu Ngathem
Class : Play
School : Heingang Mayai Leikai Angalwadi

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।